# পুলিসকী ত্রান্সফার পোলিসি অথুবদা শেম্লগনি কম্পেনি ওইনা ত্রান্সফর তৌহন্নবা হোৎনগনি

*ঃহোম মিনিষ্টর*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুলাই ১০ঃ*** মণিপুর পুলিসনা লন্নাই ইন্দিভিজুয়েল ত্রান্সফর নত্তবীদা কম্পেনি ওইনা ত্রান্সফর তৌহন্নবা হোৎনরগনি। ত্রান্সফর পোলিসি অমা অথুবদা শেম্লগনি। মণিপুর পুলিস উরগা মীয়াম্না অকিবা ফাওরিবা অসি কোকহন্দুনা পুলিস দিপার্টমেন্ট অসি ‘‘পিপলস ফ্রেন্দলি’’ ওইবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইহন্নবা হোৎনরি হায়না হোম মিনিষ্টর গাইখাঙমনা ফোংদোকখ্রে।

মণিপুর বিধান সভাদা পুলিসকী দিমান্দকী কট মোসনগী ক্লেরিফিকেসন পীরদুনা হোম মিনিষ্টরনা হায়খিবদা পুলিস অমদি মীয়ামগগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎনবা সেমিনার-ৱার্কশোপ কয়া পায়খৎলগনি।

পুলিস ষ্টেসন খুদিংগী গ্রিভান্সসেল থম্নবা হোৎনরি। দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসকী ওফিসতদি হান্ননা হাংদুনা লৈখ্রে।

লালহৌবগী ইরাং কনবা ষ্টেট অসিদা পুলিসশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি চাওই।

থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা অহিং-নুংথিল খায়দবীদা থবক তৌরি। পুলিসশিংগী য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎলগনি।

দিসিপ্লিন হেন্না লৈহন্নবা অহেনবা ত্রেনিং পীরি। পুলিসশিংনা মথৌ তৌবদা খজিক্তং তৌবদা মীয়াম্না ঙাংনবীবা ওইনা তৌই।

নুপী পুলিস কনষ্টেবলশিংগী এপ্পোইন্টমেন্ট পীদুনা ত্রেনিং তৌবা হৌনবগী ওর্দর ঙসি থোক্লে। স্পোর্টসকী ফজরবা পার্ফোমেন্স লৈবা নুপী পুলিস ৩৩ কেবিনেটনা অয়াবা পীদুনা খন্দুনা হাপচিনখি।

পুলিস পার্সোনেলশিংগী সেনিয়ারিটি লিষ্ট মেন্টেন তৌদুনা লাক্লি। মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগী নোংমদা পীবা পেত্রোল থাওগী চাং হেঙ্গৎহন্নবা হোৎনরগনি হায়খি।

নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা অফবা স্পোর্টসপার্সন ওইবা ওইবা মেদল কয়া ফংলকপা পুলিস স্পোর্টপার্সনশিংগী ওইনা ত্রান্সফর/ পোষ্টিং অরাপ্পদা পীরগসু মখোয়গী শান্নবগী প্রেক্টিস তৌনবা হেদক্বার্টরদা অদুম লৈবা য়াগনি হায়না গাইখাঙমনা ফোংদোকখি।

পুলিসকী দিমান্দ অসি খন্নবদা য়াওদুনা মশাগী ওবজার্ভেসন পীরদুনা খুরাই কেন্দ্রগী এম এল এ বিজয়না ফোংদোকখিবদা পুলিস পার্সোনেল কয়াগী ত্রান্সফর এন্দ পোষ্টিংগী ঙৈহাক লৈতনা এম এল এ/ মিনিষ্টর কয়াদা ৱানোন্থগী চৎনবী অমা লৈরিবা অসি শেমদোকসি।

এম এল এ/ মিনিষ্টর অমদি মীচং শঙ্গা থীনরগা ৱাচৎ ৱানোম তৌদুনা পুলিসশিংনা নুংঙাইবা মফমদা ত্রান্সফর তৌনবা হোৎনবা থীংসি।

সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স আর্মিগী মতৌগুম বট্টালিয়ন ওইনা পুন্না ত্রান্সফর তৌহনসি। খুদম ওইনা সেকেন্দ এম আরনা ইম্ফালদা অসুম লৈবগী মহুৎতা চান্দেলগী লৈকুন্দা অমুক থাব, হান্ননা চান্দেলদা লৈবা এম আরগী বাট্টালিয়ন্না ইম্ফালদা অমুক পুন্না হোংহনবা তৌসি।

অফবা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা স্পোর্টসপার্সন পুলিসশিংগী ওইনদি স্পিসিয়েল ত্রান্সফর পোলিসি থম্বীয়ু। প্রেক্টিস তৌহনবা য়াহনবীয়ু হায়খি। কট মোসন থাঙ্গলদুনা এম এল এ ডাঃ ইবোহলবীনা ফোংদোকখিবদা মণিপুরগী পিছ পুরকপদা পুলিসকী মথৌ চাওই। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা পুলিসকী মথৌ য়ামই।

মীয়ামগা তোৎন-তিন্নদুনা থবক তৌহন্নিংই। পুলিস উরগা মীয়াম্না কিবগী ৱাখল্লোন থাদোকহনসি। ষ্টেট অসি কনফ্লিক্ট সিচুয়েসন লৈবা লমদমনি। মরাল লৈবা মীওই অমা ফানবা হোৎনবদা মীচম ৪০/৫০ দা কিহনবগী থবক লেপকদবনি। মসিনা পুলিসবু মীয়াম্না য়াহন্দনবা মচাক ওইহল্লি। নুমিৎ ১০০ নিৱোম নৌনা সরকার পায়রকপদা সরকারনা পুলিসকী থবক থৌরমদা করি অহোংবা পুরকখ্রে। হাৎপনা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই। পুলিস পার্সোনেল খরগী মরক্তা থকসি-খাসি য়াওদবা য়াওই। পুলিসতা হুরানবা, নিশা-চাবা, লালহৌবগা শম্নবা য়াওবদগী পুলিসকী মীংচৎ থীহল্লি। মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি রাজনিতিদা পুলিস ওফিসার য়াওশিনবা কয়া লৈরি।

লো এন্দ ওর্দরগী মীংদা মীগী মোবাইলদা ৱারী শান্নববু টেপ্পিং তৌবা সংবিধাননা য়াৱ্রা হায়না ইবোহলবীনা হংখি। কট মোসন থাঙ্গৎলদুনা অন্দ্রো কেন্দ্রগী এম এল এ শ্যামকুমারনা ফোংদোকখিবদা পুলিসনা মী ফাবদা এরেষ্ট মেমো পীদবা য়াওই। বোম লংশিনবা, মী হাৎপা অমদি নুপী রেপ তৌবা মীওইবু বেলদা পংপিদা পীথোকপা য়াহনবা করিগীনো। ম্যান্মার, নেপাল অমদি বঙ্গলাদেসতগী ফোন দা মীয়ামদা কিহল্লকপা কয়াগী ফোন নম্বর খঙদোক্তুনা মরাল লৈবশিং ফাগৎনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।